## প্রসিদেন্টগী এদ্রেসতা অনৌবা ৱাফম অমত্তা য়াওদে

ন্যু দেল্লি, জন্যুৱারী ৩১ (এজেন্সী) : লোক সভা অমসুং রাজ্য সভা অনীমক্কী ওইনা ঙসি পার্লিয়ামেন্টরি বদজেট হৌদোকপগী মতাংদা প্রসিদেন্টনা ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিংদা অনৌবা ৱাফম অমত্তা য়াওদে হায়না কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট মালিকআর্জুন খর্গেনা ফোঙদোকখিবগা লোয়নন ঙসিগী প্রসিদেন্ট এদ্রেস অদুদি মোদি গবর্ণমেন্টগী এদভর্টাইস তৌবগা চপ মান্নে হায়রি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা বি জে পিনা পাঙথোকখিবা থবক থৌরম কয়া অদুবু পার্লিয়ামেন্ট সেসন হৌদোকপগী থৌরমদা প্রসিদেন্টনা থাগৎপা ফোঙদোক্লি। লৈরিবা লৈঙাক অসিনা পায়খৎখিবা মীয়ামগী ওইবা থবক থৌরমশিং থাগৎপদা কোংগ্রেসনা অয়েৎপা পীদে। অদুম ওইনমক লৈরিবা লৈঙাক অসিনা মখোয়গা নক্কবা প্রাইভেট সেক্টর কয়া চাওখৎনবগীদমক পায়খৎলকপা থবক থৌরমশিং লৈবাক অসিগী মীয়ামগী য়াইফনবনি হায়না ফোঙদোক্লিবা অদুদি য়াবা ঙম্লোই। মরমদি প্রাইভেট সেক্টর খরা চাওখৎলগা লৈবাক অসি চাওখৎলে হায়বা য়ারোই। অদুম ওইনমক প্রসিদেন্ট এদ্রেসতা মহাক মশা য়াওবা ঙমখিদবা অদুগীদমক নুংঙাইতবা ফোঙদোকই হায়রি।

## মোদি লৈঙাক্না মীয়ামগীদমক পায়খৎখিবা চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিং প্রসিদেন্টনা হায়লাইট তৌখ্রে

ন্যু দেল্লি, জন্যুৱারী ৩১ (এজেন্সী) : পার্লিয়ামেন্ট বদজেট সেসন ২০২৩ ঙসি লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট দ্রৌপদি মুরমুনা লোক সভা অমসুং রাজ্য সভা অনীমক্কী ওইনা এদ্রেস তৌরদুনা হৌদোকখিবগা লোয়নন প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্রা মোদিনা লৈবাক অসিগী মীয়ামগীদমক পায়খৎখিবা থবক থৌরমশিং হায়লাইট তৌখ্রে।



পার্লিয়ামেন্ট বদজেট সেসন হৌদোকপগী থৌরমদা ৱা ঙাংলদুনা প্রসিদেন্ট মুরমুনা ফোঙদোকখিবদা ইন্দিয়াদা মালেমগী লৈবাকশিংনা হান্না য়েংলম্বা মিৎয়েংগা হৌজিক য়েংলিবা মিৎয়েংগা য়াম্না খেন্নরে। মসি লৈবাক অসিগী মীয়াম্না অফবা লৈঙাক শেন্বা ঙমগদবা মীওইশিংদা পৱার শীন্নরকপদগীনি। মসিগীদমক মহাক্না লৈবাক অসিগী মীয়ামবু থাগৎপা ফোঙদোকই। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী লৈঙাক অসি ইসু খুদিংমক সোলভ তৌবা ঙম্বা লৈঙাকনি। মসিনা মরম ওইরগা ঙসি লৈবাক অসিনা মালেমগী চাওখৎলবা অমদি মপাঙ্গল কল্লবা লৈবাকশিংগী মনুং চনবা ঙম্লক্লিবনি। প্রাইম মিনিষ্টর মোদিগী লৈঙাক্না চথখিবা শিংথানিংঙাই ওইবা থবক খরা হায়রগদি সর্জিকেল ষ্ট্রাইক, আর্টিকল ৩৭০ লৌথোকখিবা অমদি ত্রিপল টল্লাক মুথৎখিবা পনবা য়াই। অফবা লৈঙাক অমা লৈহন্নবা হোৎনবদা মীয়ামগী থৌদাং য়াম্না চাওই। মীয়াম্না থাগৎলক্কদৌরিবা মীহুৎশিংনা পুকচেল শেঙদ্রবদি অফবা লৈঙাক কৈদৌনুংদা লৈবা ঙম্লোই হায়রি।

প্রসিদেন্টগী ৱারোল পীখ্রবা মতুং য়ুনিয়ন ফাইনান্স মিনিষ্টর নিরমালা সিথারমননা ইকনোমিক সর্ভে ২০২২-২৩ ঙসি পার্লিয়ামেন্টতা পুথোকখ্রে। সর্ভে অসিগী মতুংইন্না ইন্দিয়াগী ইকনোমি অসি লাক্লিবা কুমজা ২০২৩-২৪ দা চাদা ৬.৫ গী চাংদা হেনগৎপা ঙমগনি। হায়রিবা অসি কুমজা ২০২১-২২ দা লৈখিবা চহীগী শেনবা চাদা ৭ অমসুং চাদা ৮.৭ কা চাংদম্ন বদনি। মালেমগী ওইনা ইকনোমি খোঙজেল য়াঙশিল্লকপশিংগী মনুংদা ইন্দিয়ানা মাঙজিন থানা লৈবা ঙম্লি। কোভিদ-১৯ পেন্দেমিক মনুংদা লৈবাক অসিগী ইকনোমিগী ফীভম শোকচিনখি। অদুবু অতোপ্পা লৈবাকশিংগা য়েংনরুবদা শোকচিনখ্রবা ইকনোমিগী ফীভম ফগৎলকপগী চাংসু লৈবাক অসিনা মাঙজিন থাদুনা চৎলি হায়রি। চীফ ইকনোমিক এদভাইজর বি অনন্থ নাগেশ্বারননসু ইন্দিয়ন ইকনোমিগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখি।

## কর্নাটকা মীখলদা এ এ পিনা সিট খুদিংমক্তা মীরেপ থাদোক্কনি ঃ আর্বিন্দ কেজ্রিৱাল

বেঙ্গলুরু, জন্যুৱারী ৩১ (এজেন্সী) : চহী অসিগী মে থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা সিট ২২৪ লৈবা কর্নাটাকা এসেমব্লি মীখলদা এ এ পিনা সিট ২২৪ মক্তা মীরেপ থাদোক্তুনা মীখল লম্বা থেংনগনি হায়না আম আদমি পার্টিগী লুচিংবা আর্বিন্দ কেজ্রিৱালনা ফোঙদোরক্লি।



মহাক্না হীরম অসিগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবদা আম আদমি পার্টি অৱাবা তারবা মীওই কয়াগী অৱাবা কোকহন্নবা অমদি মশাগী ফংফম থোকপা রাইটশিং ফংদনা লৈরিবা কয়া অদুবু মতেং পাঙনবগীদমক শেমখিবা পার্টিনি। আম আদমিগী মরুওইবা পান্দমদি ইন্দিয়াদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমক্তা মখোয়গী ফংফম থোকপা রাইটশিং মপুং ফানা ফংহনবনি। দেল্লিদা এ এ পিনা লৈঙাক পায়খ্রবা মতুং লাক্লিবা অওনবশিং লৈবাক অসিগী মীয়াম্না হেন্না খঙনরবা ৱাফমনি। পার্টি অসিদা মীয়াম্না থাজবা থম্বনা মরম ওইরগা পঞ্জাবতসু এ এ পিগী লৈঙাক লৈবা ঙমখ্রে। গুজরাটকী মীখলদা এ এ পিগী কেন্দিদেট ৫ মায় পাকপা ঙমখি। অতেনবা মতমগী মনুংদা এ এ পিনা নেসনল পার্টি অমা ওইবা ঙম্লক্লিবা অসি মীয়াম্না পার্টি অসিদা থাজবা থম্বননি হায়রি।

অমরোমদা, আম আদমি পার্টিগী লুচিংবী অতিসিনা ফোঙদোকখিবদা বি জে পি অমসুং কোংগ্রেস পার্টি অনীমক মশাগী ওইবা অনৌবা ৱাখল্লোন পুথোক্তুনা থবক তৌবা ঙমদবা পার্টিশিংনি। মখোয়গী থবক হায়ববু অতোপ্পনা তৌরম্বা থবকশিং মতৌ তমদুনা হান্না লৈরম্বা স্কিমশিং ইমপ্লিমেন্ট তৌবনি। সেন্টরদা লৈরিবা বি জে পিনা লৈবাক অসিগী হেল্থ ক্যের অমদি এদ্যুকেসনদা অহেনবা মিৎয়েং চঙলম্লবদি মীয়াম্না পার্টি অসিবু থাজরমগদবনি অদুবু দেল্লিদা লৈরিবা এ এ পি লৈঙাক্কী মতৌ তম্লগা হৌজিক্তা মখোয়না হেল্থ ক্যের অমসুং এদ্যুকেসনদা মিৎয়েং চঙলিবনি হায়না থবক তৌরক্লিবা অসিদি মীয়ামদা অপঙবা শিনবা হোৎনবনি। বি জে পিনা হৌখিবা কুমজা ২০১৮ দা পাঙথোকখিবা ইলেক্সনগী মাঙওইননা কর্নাটাকাদা ভিভেকা স্কিমগী মখাদা ক্লাস ২৪০০০ শাগনি হায়না থাজবা পীখি। অদুবু হৌখিবা চহী ৫ অসিদা বি জে পি লৈঙাক অসিনা মখোয়না ঙাংথোকখিবা ৱা অমত্তা থবক ওইনা পাঙথোকখিদে হায়রি।

## মোর্বি থোং শেমজিনখিবা কম্পনিগী মপু চঙজরকখ্রে

ন্যু দেল্লি, জন্যুৱারী ৩১ (এজেন্সী) : মমাঙ চহীগী ওক্টোবর থাদা গুজরাটকী মোর্বি থোং তৎপগী থৌদোক্তা মীওই ১৩৫ শিহনখ্রবা মতুং থৌদোক অদুদা চেন্নরিবা মীওইশিং ফানবা মরী লৈনবশিংদা মীয়াম্না দিমান্দ তৌদুনা লাকখিবনি। মদুগী মতুং ঙসি মোর্বি থোং অদুবু শেমজিনখিবা ওরেভা গ্রুপকী মেনেজিং দিরেক্টর জেসুখ পটেল লোকল কোর্ট অমদা চঙজরকখ্রে হায়রি।



মচু তুরেলগী মথক্তা শাবা থোং অসি শেমজিন্নবগীদমক অজান্ত ব্রান্দগী ফল্লাং ঘরি শাবদা মমিং লৈরবা ওরেভা গ্রুপতা শীন্নখিবনি। থোং অসি মমাঙ চহীগী ওক্টোবর ২৬ দা শেমজিনবা লোয়রে হায়দুনা মীয়ামদা কম্পনি অসিনা খুৎশিন্নখিবনি। মদুগী মতুং নুমিৎ ৪ নি লৈরগা থা অদুমক্কী ৩০ দা থোং অসিগী কেবলশিং তৎপদগী মীওই ১৩৫ শিরগা খরনা শোকখিবনি। থোং তৎপগী থৌদোক থোকখিবা মতম অদুদা থোং অদুদা পুন্না মীওই ৩০০ রোম লৈখি। থৌদোক অদু থোকখ্রবা মতুং অখন্নবা টিম অমা শেমদুনা থিজিনবগী থবক চথবা হৌখিবনি। মদুদা থোং অদুবু শেমজিনখিবা কম্পনিগী থবক থৌরমদা অশোয়বা কয়া লৈখি হায়না অখন্নবা টিম অদুনা ফোঙদোরকখিবনি। থৌদোক অদুগা মরী লৈননা পুলিসনা থোং অদুবু শেন্নরিবা মীওই য়াওনা পুন্না মীওই ৩০ রোম ফাদুনা ৱাহং পাউহং চথরকখিবনি। অদুম ওইনমক থোং অদুবু শেমজিনবদা মরুওইবা থৌদাং লৌখিবা ওরেভা গ্রুপকী মপুদি ফাবা ঙমদনা লাকখিবনি। মহাক ফাবা ঙমদবনা মরম ওইরগা গুজরাটতা লৈরিবা বি জে পিগী লৈঙাক্না মরাল লৈবা মীওই অসিবু কনখৎনবা হোৎনরে হায়না ওপোজিসন পার্টিশিং অমদি মীওই কয়ানা ফোঙদোক্লকখিবনি। অমরোমদা, ঙসি ফার্ম অসিগী মেনেজিং দিরেক্টর জেসুখ পটেল লোকল কোর্ট অমদা চঙজরকখ্রবা মতুং হৌনবী মতুংইন্না পুলিসনা মখোয়গী কষ্টদিদা থমখ্রে হায়রি।

## ‘সিটিজেন্সিপ লোগী মতাংদা সেন্টরনা চমম্নবা পোকহল্লে’

মালদা, জন্যুৱারী ৩১ (এজেন্সী) : সেন্টরদা লৈরিবা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা সিটিজেন্সিপ (এমেন্দেমেন্ট) এক্ট ইমপ্লিমেন্ট তৌবগী মিংদা লৈবাক অসিগী মীয়ামবু চমম্নবা পোকহল্লে হায়না ৱেষ্ট বেঙ্গলগী চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিনা মরাল শিরকখিবগা লোয়ননা সেন্টরগী থৌওং অসি অখন্নবা কম্যুনিটি খরখক্তমক য়োকখৎনবা হোৎনবনি হায়রি।



মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা বাঙ্গলাদেশতগী লাকখিবা হৌজিক হৌজিকনা ৱেষ্ট বেঙ্গলদা লৈরিবা মতুৱা কম্যুনিটিগী মীওইশিংবু মহাক্কী পার্টি ত্রিনামুল কোংগ্রেসনা অতোপ্পা কম্যুনিটিশিংগা চপ মান্নবা মিৎয়েংদা য়েংলি। অদুগা বি জে পিনা সী এ এ গী মিংদা মতুৱা কম্যুনিটিগা অফবা মরী থম্নবা হোৎনরকপগা লোয়ননা বি জে পি মতুৱা কম্যুনিটিগী অফবা মরুপনি হায়নবা হোৎনরি। ষ্টেট অসিদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমক্তা মহাক্কী লৈঙাক্না চপ মান্নবা মিৎয়েংদা য়েংই হায়বসি মতম শাংনা ষ্টেট অসিদা লৈরকখ্রবা মতুৱা কম্যুনিটিগী মীওইশিংনা খঙলবা ৱাফমনি। অদুবু সী এ এগী মিংদা সেন্টরনা ইলেক্সনদা খুদোংচাবা ফংনবগীদমক মীয়ামবু চমম্নবা পোকহল্লে। বি জে পিগী মরুওইবা মথৌ হায়রগদি অতোপ্পগী থবক থৌরমদা খুৎ থিংজিনবা অমদি মীয়ামদা অপঙবা শিবনি হায়রি।

সী এ এগী মায়োক্তা ত্রিনামুল কোংগ্রেসনা মতম পুম্বদা লেপকনি। সেন্টরনা ৱেষ্ট বেঙ্গলদা সী এ এ ইমপ্লিমেন্ট তৌনবা হোৎনরবসু মায় পাকপা ঙম্লোই। বেঙ্গলগী মীয়াম্নসু সী এ এবু কৈদৌনুংদা তরাম্না ওকপা তৌরোয় হায়বসি সেন্টরদা লৈরিবা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা খঙগদবনি হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা সেন্টরনা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী পীথোকফম থোকপা লুপা লাখ ক্রোর অমা ঙসি ফাওবা পীথোক্তনা থল্লিবা অসি লায়বক থিবনি। বি জে পিনা লুচিংবা সেন্টরদা লৈরিবা লৈঙাক অসিদা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী শেন কয়া তোনশিল্লে হায়রি।

## এ এস আই গোপাল দাসনা মিনিষ্টর নব দাস অতম্নমা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবনি

ভুবনেশ্বর, জন্যুৱারী ৩১ (এজেন্সী) : থা অসিগী ২৯ দা ওরিষাগী হেল্থ মিনিষ্টর নব কিশ্বর দাস নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবগী থৌদোক অদুগা মরী লৈননা বজ্রনগর পুলিস ষ্টেসনগী ইন্সপেক্টর ইনচার্জ প্রদুমনিয়া কুমারনা ফোঙদোকখিবদা এ এস আই গোপাল দাসনা হেল্থ মিনিষ্টরবু অতম্নমা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবনি হায়রি।

ইন্সপেক্টর কুমারনা হীরম অসিগা মরী লৈননা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা নুমিৎ অদুদা মহাকসু থৌদোক থোকফমদা দ্যুটি তাখি। থৌদোক অসিদা চেন্নরিবা এ এস আই গোপাল দাস মিনিষ্টরগী প্রোগ্রাম অদুগা মরী লৈননা ট্রাফিক ক্লিয়ারেন্সকী থৌদা পাঙথোক্কবা দিপ্লোয় তৌখিবনি। মিনিষ্টর নব কিশ্বর দাসনা প্রোগ্রাম মফম য়ৌরক্লবা মতুং থোঙ হাঙদোক্তুনা কুমথনবা হোৎনরিঙৈদা এ এস আই গোপালনা মিনিষ্টর অদুদা নোংমৈ রাউন্দ অনী কাপখিবনি। খুদক্তা মহাক অমদি কন্সটেবল কে সি প্রধাননা এক্যুজ ওইরিবা গোপাল দাসপু ফানবা হোৎনখি। মদুদা গোপাল দাসকা মুক্কবদগী অনীরক শুবা ওইনা গোপাল দাসকী নাইন এম এম অদুদগী নোংমৈ রাউন্দ অনী অমুক হন্না কাপথোরকখি। মদুদা মহাক্কী মখুৎতা শোকখিবনি হায়রি। অমরোমদা, ক্রাইম ব্রাঞ্চকী এ দি জি অরুননা ফোঙদোকখিবদা মীহাৎ অদু অতম্নমা চথখিবনি হায়বা এক্যুজ মশানা য়াজখ্রে হায়রি।

## চহী নৌরিবী নুপীমচা রেপ তৌদুনা মীরোলহনখিবা নুপা ফাদোক পীখ্রে

সিকার, জন্যুৱারী ৩১ (এজেন্সী) : চহী নৌরিবী নুপীমচা অমবু রেপ তৌদুনা মীরোলহনবদা চেন্নবা মশাগী চহী ২৭ লোম শুরবা নুপা অমা লোকল পোক্সো কোর্ট অমনা চহী ২০ জেলগী ফাদোক পীখ্রে হায়রি।

রাজস্থানগী নিমকথনাগী জদপুরদা লৈবা সিম্বুরাম কৌবা মীওই অসিনা মশাগী চহী ১৭ রোম শুরবী নুপীমচা অমবু হৌখিবা কুমজা ২০১৪ দা রেপ তৌখি। মহাক্না নুপীমচা অদুবু রেপ তৌখ্রবা মতুং মতম খরা লৈরগা মীরোল্লকখিবগা লোয়ননা অঙাং নুপীমচা অমা পোকখি হায়না স্পিসল পব্লিক প্রোজিক্যুটর কৈলাস দান কাবিয়ানা ফোঙদোরক্লি। কুমজা ২০১৪ গী নভেম্বর থাদা থোকখিবা থৌদোক অসিগী মতাংদা থা অদুমক্তদা ভিক্টিমগী অপোকপনা মরী লৈনবা পুলিস ষ্টেসনদা কেস অমা ফাইল তৌরকখ্রবা মতুং পোক্সো কোর্টতা কেস অসি শীন্নরকখিবনি। অমরোমদা, কেস অসিগী আই ও জে সিংহ তনৱারনা ইনভেষ্টিগেসনদা চেকশিন্দবদগীদমক ৱার্নিং তৌখ্রে হায়রি।

## কোভিদ-১৯ গী অনৌবা কেস ৬৫ থেংনখি

ন্যু দেল্লি, জন্যুৱারী ৩১ (এজেন্সী) : লৈবাক অসিদা হৌখিবা পুং ২৪ দা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎকী অনৌবা কেস ৬৫ থেংনখিবগা লোয়ননা হায়রিবা মতম অসিদা লায়চৎ অসিনা মরম ওইরগা মীওই অমত্তা শিহনখিদে হায়না য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী রিপোর্ট অমনা হায়রি।

রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না ঙসি থেংনখিবা কেস মশিং ৬৫ থারগা হৌজিক ফাওবগীওইনা লায়না লায়চৎ অসিনা লৈবাক অসিদা শোকহনখিবা অপুনবা মী মশিং ৪,৪৬,৮২,৭৮৪ শুখ্রে। অদুম ওইনমক এক্টিব কেস মশিংদি ১৭৫৫ দা হেনগৎলকখ্রে। অদুগা ঙসি লাইচৎ অসিনা মীওই অমত্তা শিহনখিদবনা মরম ওইরগা হৌজিক ফাওবগী ওইনা লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ না শিহনখিবা মী মশিং ৫,৩০,৭৪০ লেংদনা লৈরি। লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ রিকোভরি রেটনা চাদা ৯৮.৮১ লৈরি। অদুগা এক্টিভ কেসকি চাংনা চাদা ০.০১ ওইরি। ইন্দিয়াদা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎ অসিনা শোকহনখিবা মী মশিং হৌখিবা কুমজা ২০২০ গী ওগষ্ট ৭ ফাওবদা লাখ ২০ হেনখি। ওগষ্ট ২৩ দা লাখ ৩০ য়ৌখি। অদুগা সেপ্তেম্বর ৫ লাখ ৪০ য়ৌখিবগা লোয়ননা থা অসিগী ১৬ তা লাখ ৫০ হেনখি। কুমজা ২০২০ দা লৈবাক অসিদা কোভিদনা খ্বাইদগী হেন্না চৈথেং পীখি। চহী অসিগী ওক্টোবর থা লোয়রকপা ফাওবদা কোভিদ-১৯ না শোকহনবা মী মশিং লাখ ৯০ হেনখি। কুমজা ২০২০ দা লৈবাক অসিদা কোভিদনা খ্বাইদগী হেন্না চৈথেং পীখি। মমাঙ চহী অসিগী ওক্টোবর থা লোয়রকপা ফাওবদা কোভিদ-১৯ না শোকহনবা মী মশিং লাখ ৯০ হেনখি।

## ‘ইন্দিয়া ফার্ষ্ট, সিটিজেন ফার্ষ্টনা ঐখোয়গী ৱার্ক কলচরনি’

ন্যু দেল্লি, জন্যুৱারী ৩১ (এজেন্সী) : সেন্টরদা লৈরিবা বি জে পিনা লুচিংবা এন দি এ লৈঙাক্কী পান্দম, মোটো অমদি সেন্ট্রেল আইদিয়াদি অমখক্তনি। আইদিয়া অদুদি ইন্দিয়া ফার্ষ্ট, সিটিজেন ফার্ষ্ট হায়বসিনি। ৱাফম অসি পার্লিয়ামেন্ট সেসন হৌদোকপগী থৌরমদা ঙসি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ফোঙদোকখিবনি।



মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ওপোজিসনদা লৈরিবশিংনা পুথোক্লিবা বদজেট অসি মুন্না নৈনরবা মতুং মখোয়গী ওইবা ৱাখল্লোনশিং ফোঙদোরকপা মতমদা তরাম্না ওক্কনি। লৈবাক অসি চাওখৎপগী লম্বীদা মাঙজিন থানবা অমদি মীয়ামগী য়াইফনবগী মতাংদা পুথোরকপা ৱাফম খুদিংমক লৈঙাক অসিনা নৈননবা মতম পুম্বদা শেম শাদুনা লৈরি। ওপোজিসনশিংনা পুথোকরপা ৱাফমশিং খুদিংমক রুলিংনা ককথৎকনি হায়বা ৱাফম লৈতে। অদুম ওইনমক মীয়াম মমাঙদা অফবা শানবা হোৎনদুনা লৈঙাক্কী থবক থৌরমদা খুরৌ থাংবদি তৌরোয়দবনি হায়রি।

অমরোমদা, বি জে পিগী মকোক থোংবা ৱাঙাংলোয় অমনা ঙসি পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা হৌজিক লৈরিবা লৈঙাক অসিনা নুপীশিংবু অৱাংবা থাক্তা পুখৎনবা হোৎনরি। মদুগী ময়েক লারবা খুদম হায়ববু লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট য়াওনা ফাইনান্স মিনিষ্টর অমদি তোঙান তোঙানবা কেবিনেট মিনিষ্টর কয়া নুপীনা ওইরিবনি। মমাঙদা লৈরম্বা লৈঙাকশিংদা য়াওরম্বা নুপী মিনিষ্টর মশিংগা মোদিগী লৈঙাক মতমদা য়াওরিবা মশিংগা য়াম্না খেন্নে। মসিগী মথক্তা ইস্লাম লাইনিং চৎপা নুপীশিংনা খ্বাইদগী হেন্না পামদবা অমদি মায়োক্লরম্বা খুদোংচাদবশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা ত্রিপল টলাক লৈবাক অসিদা চৎনহনখিদ্রে। মসিমক বি জে পি লৈঙাক্না কাঙলুপ নাইবা মওংদা থবক তৌদে হায়বদু মীয়ামদা উৎলি। অদুম ওইনমক ওপোজিসননা মতম পুম্বদা বি জে পিবু কাঙলুপ নাইবা পার্টি অমা ওইনা উহন্নবা হোৎনদুনা লাক্লি হায়রি।

## গোদমেন অসারাম বাপু মপুন্সি চুপ্পা ফাদোক পীখ্রে

অহমদবাদ, জন্যুৱারী ৩১ (এজেন্সী) : হৌখিবা কুমজা ২০১৩ দা থোকখিবা রেপ কেসকী থৌদোক অমদা মেইন এক্যুজ ওইরিবা সেল্ফ ষ্টাইল গোদমেন অসারাম বাপু ঙসি গান্ধীনগরদা লৈবা কোর্ট অমনা পুন্সি চুপ্পা ফাদোক পীখ্রে হায়রি।

মশাগী চহী ৮১ রোম শুরবা অসারাম বাপু জোদপুরগী জেলদা হৌজিক হৌজিক লৈরি। হৌখিবা কুমজা ২০১৩ দা রাজস্থানদা লৈবা মহাক্কী অশ্রম অমদা থবক তৌদুনা লৈবী চহী নৌরিবী নুপীমচা অমবু রেপ তৌখি হায়বগী মরালদা পুলিসনা মহাকপু ফাখিবনি। সেসন কোর্ট জজ দি কে সোনিনা কেস অসিগী মতাংদা মায়োক্লরিবা নাকল অনীমক্কী ৱাফমশিং তারবা মতুং অসারামবু মপুন্সি চুপ্পা জেলগী ফাদোক পীখিবনি। হৌখিবা কুমজা ২০০১ দগী হৌরগা ২০০৬ ফাওবা চহী নৌরিবী নুপীমচা অসিবু থেংখাঙ কয়ারক্তা অসারামনা রেপ তৌখি হায়না ফোঙদোরকখ্রবা মতুং কুমজা ২০১৩ দা অসারামগী মথক্তা পুলিসনা কেস রেজিষ্টর তৌখিবনি।

অমরোমদা, রেপ কেস অসিগা মরী লৈননা পুলিসনা চার্জ তৌখিবা অসারামগী লোয়নবী লক্ষ্মিবেন, মখোয়গী মচানুপী অমদি অতোপ্পা নুপীমচা ৪ দি থৌদোক অসিদা চেন্নরমদ্রে হায়না কোর্ট অসিনা লাউথোকখ্রে।

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR: IMPHAL WEST, PATSOI**

**Ref :- Mut. Case No. 44/SDC/IW(P) of 2023**

(1) Chingakham Keshorjit Singh S/o (L) Rojen Singh of Langjing Heinoupok.
(2) Chingakham Tondon Singh S/o Ch. Kulla Singh of Sagolband Heinoupok. -Petitioners

-Vs-

(L) Chingakham Mani Singh S/o (L) Rojen Singh of Langjing Heinoupok. -O.P. Party

**/ NOTICE**
31/01/2023

Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি ই:ও: পাৎশোই তাহসিলগী খুল নম্বর ১০৪- লাংজিং অচৌবগী পাট্টা নম্বর ৪৩৩ (অনৌবা) দাগ নম্বর ৮৩, ৩০৩/৬৭৯ গী পোইন্ট ০.৩০ একর চাওবা ইঙ্খোলগী মনুংদগী মমাং থংবা শরুক্তা পোইন্ট ০.১৫ একর চাওবা লম অসিগী কো: পাট্টাদার নং ১ অসি মৃত ওইখ্রে। অদুনা মরম ওইদুনা মথক্তা পীরিবা দংকারিশিং অসিনা মখোয়গী স্বতনি হায়দুনা মমিংদা নামা পাঞ্জরগে হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চেরোলনা দরখাষ্ট থারক্লে, মরম অদুনা মৃত পাট্টাদারগা মরী লৈনবা/লৈনবশিং অমদি মচা মশু, শাগে নাতে কনাগুম্বনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং 10/02/2023 ইংগী অয়ুক পুং ১১.০০ তাবা ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই কোর্টকী হুকুম মখা চথরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Imphal West, Patsoi

HL-P/5848/01

---

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, HEINGANG IMPHAL EAST**

**Ref :- Mut. Case No. 101/SDC/Hng/IE/2023**

A. R.K. Suraj Singh S/o R.K. Sarat Singh of Kwakeithel Thounaojam Leikai. -Petitioner

-Vs-

(L) Rajkumar Suhen Singh S/o R.K. Sarat Singh of Kwakeithel Thounaojam Leikai. -OP

**/ NOTICE**
Dated : 31/1/2023

Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি:- ইম্ফাল ইষ্ট তহশিল খুল নং: 20-Nilakuthi লৈবা অরিবা পাট্টা নং: 38 অনৌবা পাট্টা নং: 473, দাগ নং: 1373, এরিয়া 0.13 একর চাওবা Ingkhol অসিগী পাট্টাদার মৃতু: ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিদা নামা পানবীরো হায়দুনা **SDC Heingang** গী কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউ চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা **SDC Heingang** গী কোর্ট অসিদা য়েৎলবা য়াগনি। হায়রিবা মতম অসিদগী হেল্লবদি কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না মখা তাবা ৱাকৎ তাদনা কেস মখা চথদুনা নামা ওল্লগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Heingang, Imphal East

HL-P/5849/01

---

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, HEINGANG IMPHAL EAST**

**Ref :- Mut. Case No. 80/SDC/Hng/IE/2023**

(1) Md. Abdul Satar S/o (L) Md. Yaima
(2) Md. Abdul Hamid S/o (L) Md. Yaima
(3) Md. Abdul Khalik S/o (L) Md. Yaima
(4) Abdul Malik S/o (L) Md. Yaima
of Khomidok -Petitioner

-Vs-

(L) Md. Yaima S/o (L) Rahimuddin of Khomidok. -OP

**/ NOTICE**
Dated : 31/1/2023

Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি:- ইম্ফাল ইষ্ট তহশিল খুল নং: 14-Khomidok লৈবা অরিবা পাট্টা নং: 142 অনৌবা পাট্টা নং: 316, দাগ নং: 374, এরিয়া .34 একর চাওবা Phourel অসিগী পাট্টাদার মৃতু: ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিদা নামা পানবীরো হায়দুনা **SDC Heingang** গী কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউ চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা **SDC Heingang** গী কোর্ট অসিদা য়েৎলবা য়াগনি। হায়রিবা মতম অসিদগী হেল্লবদি কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না মখা তাবা ৱাকৎ তাদনা কেস মখা চথদুনা নামা ওল্লগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Heingang, Imphal East

HL-P/5849/01

---

**IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, - IV Imphal Lamphel Pat, Manipur**

**Ref :- Mut. Case No. 32/AS&SO/IV-2023 Date: 18/1/2023**

Reingamlung Paomei S/o (L) Gaithairei Paomei of Khoupum Satudai. -Petitioner

-Vs-

(L) Gaithairei (Paomei) Kaboi S/o (L) Kaidaijei of Satudai Khoupum. -OP Party

**/ NOTICE**
Imphal 31/01/2023

Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি খুল নং Khoupum Tampak Patta No. 231 অমদি 417 (New) অনৌবা দাগ নং 36 অমসুং 382 এরিয়া 1.21 Anganphou 1.23 Phourel একর চাওবা অসিগী পাট্টাদার Gaithairei Paomei S/o (L) Kaidaijei of Satudai, মৃত্ব: ওইখ্রে। মথক্তা পল্লিবা মচানুপা অসিগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মচা, মশুশিং, Anganphou অমদি Phourel অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং 9/2/2023 ইং, ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারগদবনি। করিগুম্বা মথক্তা হায়রিবা তারিক অসিগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরদ্রবদি আইনগী মতুংইন্না কেস মখা চথরগনি। মতুংদা লাকপা আপতি কোর্ট অসিনা লৌররোই।

**Sd/- Assistant Survey&Settlement Officer-IV**
Imphal Lamphel Pat, Manipur

HL-P/5850/01

---

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR: IMPHAL WEST, PATSOI**

**Ref :- Mut. Case No. 41/SDC/IW(P) of 2023**

Nameirakpam Romita Devi W/o (L) N. Shantakumar Singh of Sagolband Tera Lukram Leirak. -Petitioner

-Vs-

(L) Nameirakpam Shantakumar Singh S/o (L) Budha Singh of Lukram Leirak. -O.P. Party

**/ NOTICE**
31/01/2023

Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি ই:ও: পাৎশোই তাহসিলগী খুল নম্বর 83-Lamjaotongba গী পাট্টা নম্বর 2 (Old), 546/939 (New) দাগ নম্বর 83/1135 গী পোইন্ট .54 একর চাওবা অঙনফৌগী লম অসিগী পাট্টাদার অসি মৃত ওইখ্রে। অদুনা মরম ওইদুনা মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মহাক্কী স্বতনি হায়দুনা মমিংদা নামা পাঞ্জরগে হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চেরোলনা দরখাষ্ট থারক্লে, মরম অদুনা মৃত পাট্টাদারগা মরী লৈনবা/লৈনবশিং অমদি মচা মশু, শাগে নাতে কনাগুম্বনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং 10/02/2023 ইংগী অয়ুক পুং ১১.০০ তাবা ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই কোর্টকী হুকুম মখা চথরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Imphal West, Patsoi

HL-P/5848/01